ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ

HUEIYEN LANPAO

The messenger of the masses

# হুইয়েন লানপাউ

The Largest Circulated Newspaper in Manipur




নেশনল স্কুল ওফ ড্রামাগী মীৎয়েং মখাদা ভারত রঙ্গ মোহোটসবকী মনুং চন্না বিশ্ব জন রঙ্গগী পর্ফোর্মেন্স অমা লমন থাঙ-তানা মীতে লান্নী ওর্গনাইজেশনগী ট্রেনিং কমপ্লেক্স, শগোলবন্দদা উৎখিবা


উংলৈশীৎ (টোর্নেদো)না শারেগী মওং মাল্লিবসি করিগীনো? লামায় ২

লামায় ৪ ইপুদি থাঙ শুংশৎ শত্তে

ৱারীনি তুরেল ৱাংমগী (তন্দনগুম ঙাল্লম্বা নুংশিবা অমগী ৱারী) লামায় ৫

লামায় ৬ ক্লাইমেট চেঞ্জনা মীওইবগী হকচাংদা পীবা চৈথেংগী...

টেররিষ্টকা মরী লৈনরম্বগীদমক জম্মু এন্দ কাশ্মির... লামায় ৯

লামায় ১২ এ এম সী এনা এস দি ও, পি টি সী সীনা...


আই এন এ ৱার ম্যুজিয়ম কম নেটাজি লাইব্রেরি, মোইরাংনা আর্ট এন্দ কলচর লোয়শঙ, আই এন এ এদভাইজরি কম্মিটি অমসুং কুম্বী কোলেজগী আই ক্যু এ সীগা খূৎশম্নদুনা পাঙথোকপা সেমিনার হৌদোকপগী মৈরা চুখৎপা




Vol. 48, Issue No. 311 | নোংমাইজিং, ফাইরেনগী ১৯নি পানবা | অপুনবা লামায় মশীং ১২ | HUEIYEN LANPAO | Sunday, February 16, 2025, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 5.50


# অনৌবা সী এম : কাঙবু-কাঙবুগী কেম্পতি প্রসিদেন্টস রুল চলাইদ্রিঙৈদসু তৌখি, চলাইরক্লবা মতুংদসু তৌনরি

**ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১৫ (ঐচএনএস) :** থা অসিগী ১০গী অয়ূক পুং ১১দগী অনৌবা গভর্ণরনা অনৌবা চহীগী অহানবা মীফমসু ওইগদবা ১২শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী ৭শুবা মীফম পাঙথোক্লবগী থৌরাং পূমলোই লোইশিল্লবা মতুং নোংমা ৱাৎলিঙৈ থা অসিগী ৯দা এন বিরেননা চীফ মিনিষ্টরগী ফমদগী খঙহৌদনা রিজাইন তৌখিবদগী হাঙদুনা লৈরকখিবা ফম অসি মেনশিন্নবগীদমক লৈঙাক পায়মিন্নরকখিবশিংগী মনুংদগী নাকপাক তান্নদুনা মফম খরদা তাশিন-খোমজিন্নদুনা কেম্প চত্থনবগী পাউ থা অসিগী ১৩দা প্রসিদেন্টস রুল চলাইরক্লিঙৈগী মমাঙদসু ফংখি অদুগা মসিগী মতুংদসু মখা তানা চত্থনবগী পাউ লাক্লি।

এন বিরেননা গভর্ণরদা রিজাইন তৌবগী চেরোল পীশিনবদা য়াওদুনা থা অসিগী ৯দগী ইম্ফালদা লৈরকখিবা বি জে পিগী

**এন বিরেননা ফেব্রুৱারী ৯, ২০২৫দা চীফ মিনিষ্টরগী ফমদগী রিজাইন তৌখ্রবা মতুংদা মণিপুর লৈঙাক লুচিংনবা অনৌবা চীফ মিনিষ্টর খন্নবগীদমক এম এল এশিংগী কাঙবু-কাঙবুগী মরক্তগী কাঙবু অমনা চত্থখিবা কেম্প অমগী ফেব্রুৱারী ১২, ২০২৫দা ওইখিবা শক্তম, শরুক য়ারগদবশিংগী লেক-চানবা শেমজিন-শাজিনখিবা মফম অমগী থৌরাং (কেম্পকী মফম অমসুং কেম্প হাংখিবা মীওই অদুগী মশক লোৎশিঞ্জরে, য়েৎ)**



ফম মুন্নবগী গভর্ণমেন্ট কায়বনি হায়বসি লাইবক থীবনি হায়না এম এল এ সুসিন্দ্রোনা ঙসি লুই-ঙাইনিগী থৌরমদা শরুক য়াবা লাকপদা পাউমীশিংনা হংবা ৱাহংগী পাউখুম ওইনা ফোঙদোকখ্রে।

নোর্থ ইষ্টকী কোওর্দিনেটর সম্বিত পাত্রনা হোটেল ইম্ফাল অমসুং চীফ মিনিষ্টরগী বঙ্গলোদা লৈঙাক পায়মিন্নরকখিবা এম এল এশিং অমমমতা ওইনা উনদুনা ৱারী শাখি। এম এল এ খরদি হঞ্জিন-হঞ্জিননা উনবসু য়াওখি অদুগা সম্বিত পাত্রনা গভর্ণরগসু থেঙ্খাং অহুল্লক্তা উনখি।

এন বিরেননা ফম থাদোক্লবা মতুংদগী সম্বিত পাত্রনা লৈঙাক পায়মিন্নরকখিবদা নত্তনা শৌগৎপা তোকখ্রবা এন পি পিগী এম এল এ ফাওবা য়াওনা উনদুনা ৱারী শারবসু থা অসিগী ১৩দা এসেমব্লিবু সস্পেন্দ তৌদ্রিঙৈগী মমাঙ অমসুং রিজাইন তৌদ্রিঙৈগী মাঙওইননা লৈরম্বা লৈঙাকপু মপূং ওইনা লুচিংলকখিবা পার্টিগী এম এল এশিংগী মরক্তা নাকপাক তান্নদুনা তোঙান তোঙানবা মফমদা কেম্প তৌনরকখিবা অদু ঙসি নুমিদাং ফাওবদা মখা শমথনবগী পাউ ফংখি। অদুম ওইনমক পি আর থমজিল্লকপা ঙসি হুন্নি চল্লকপা নুমিৎ ফাওবদদি য়েৎনদবা এম এল এ অমবু লুচিংবা খন্দুনা চীফ মিনিষ্টর ওইহল্লগা লৈঙাক মখা শমথনবগী ওফিশল ওইবা থৌরাংশিং তৌনরকপা উখিদ্রি।

## মণিপুরদা প্রসিদেন্টস রুল থম্লক্লিবসি মোদি ১সুং অমিট শাহ অনীমক পূন্না ফেল ওইরে তাকপনি : গোগোই



লোক সভাদা ওপোজিশনগী দেপ্যুটি লিদর ওইরিবা কোংগ্রেসকী গৌরব গোগোই (ফাইল ফোটো)

**ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১৫ (ঐচএনএস) :** মণিপুরদা 'প্রসিদেন্টস রুল' থম্লক্লিবসি প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি অমসুং হোম মিনিষ্টর অমিট শাহ অনীমক পূন্না ফেল ওইরে হায়বগী খুদমনি হায়না লোক সভাদা ওপোজিশন কোংগ্রেসকী দেপ্যুটি লিদর ওইরিবা পার্টি অসিগী এম পি গৌরব গোগোইনা ফোঙদোরকখ্রে।

মতম অমদা অসামগী চীফ মিনিষ্টর ওইরম্বা কোংগ্রেস লিদর তরুন গোগোইগী *...মখা লমায় ৩ কলম ২*

## পুং ২গী মনুংদা মফম ৪দা মৈ চাক্লকপদগী ফায়র সর্ভিসনা ফোরেষ্ট অমসুং সিফাইগা খূৎশম্নদুনা মূত্থৎনবা হোৎনখ্রে

**ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১৫ (ঐচএনএস) :** মণিপুরদা মমাঙথক্তা অমুক্তা থোকখিদ্রিবা থৌদোকশিং ওইনা ঙসি নুমিৎয়ুংবা মতুং পুং ১২.১৬ লোম তারকপদগীনা নুংথিল পুং ১.৫০ তারকপা শুপ্নতগী পুং ২ রোমগী মৈ চাক্লকপদগী ফায়র সর্ভিসনা ফোরেষ্ট লোয়শঙগী ষ্টাফশিং, সী আর পি এফ অমসুং অসাম রাইফলস পর্সনেলশিংগা খূৎশম্নদুনা চাক্লকপা মৈ মূত্থৎনবা হোৎনখ্রে।



মনুংদা তোঙান তোঙানবা মফম মরিদা খঙহৌদনা থৌদোকশিং অসিগী *...মখা লমায় ৩ কলম ৭*

## হার্ট ফেল ওইরক্লবী নুপী ১ স্কাই হোস্পিটালনা কনখ্রে

**ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১৫ (ঐচএনএস):**

ককচীং দিষ্ট্রিক্টকী সেকমাইজিনদগী মশাগী চহী ৫২ রোম শুরবী মজিদা কৌবী নুপী অমা হার্ট ফেল ওইবা হৌরকপদগী ইমর্জেন্সি ওইনা মমাঙ থাগী ১০দা রিমস রোদতা লৈরিবা স্কাই হোস্পিটালদা পুখৎলকপদগী লায়েংশঙ অসিগী চীফ কন্সলটেন্ট (কার্দিওলোজিষ্ট) ডা. শ্যামকিশোর লাইরিকয়েংবমনা লুচিংবা টিম অমনা মথৌ তাবা লায়েং চত্থদুনা কনবা ঙমহৌরে হায়রি।

লায়েংশঙ অসিগী চেরোল অমনা হায়বদা হার্ট ফেলিয়রগী খুদোংচাদবা মায়োক্লরবী পেসেন্ট অসি হৌখিবা চহী ১০ রোম অসিদা চান্দিগড়, গুৱাহাটি অমদি অতোপ্পা মণিপুরগী *...মখা লমায় ৩ কলম ৭*

## শলুংফম : কম্মান্দোগী খূৎতা লৈখিদ্রবা খুল ঙাকপা প্রেমগী অরোইবা মথৌ মঙম পাঙথোকখ্রে

**ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১৫ (ঐচএনএস) :** মমাঙ চহী ২০২৪গী দিসেম্বর ১৪দা থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী হৈরোক পি এসনা কোল্লিবা শলুংফম হায় স্কুল মনাক্কী মফম অমদা থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট পুলিস কম্মান্দোগী টিম অমনা কাপ্পনি ঙমদনা লৈখিদ্রবা থৌবাল খুনৌদগী লাইশ্রম প্রিয়াম এলিয়জ প্রেমগী হকচাং নুমিৎ ৬২নিগী মতুংদা ঙসি জে নিমসকী মীরেলশঙদগী জে এ সী অমসুং ইমুং মনুংনা লৌদুনা অরোইবা মথৌ মঙম পাঙথোকখ্রে।







লৈখিদ্রবা মহৈরোয় প্রেম (ওই) অমসুং মহাক্কী থৱায় য়াওদ্রবা হকচাংদা মীয়াম্না লৈ-শু কৎপা

হায়বা নোংমৈ মরদ্দনা পানবদগী লায়কন্নবদা কনবা থৱায় য়াওদ্রবা প্রেমগী *...মখা লমায় ৩ কলম ২*

## মালেমঙানবা মীহাৎপু কোইরেংনা লুচিংবা য়ু এন এল এফনা অকনবা মওংদা কন্দেম তৌরক্লি

**ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১৫ :** কোইরেংনা লুচিংবা য়ুনাইটেদ নেশনল লিবরেশন ফ্রন্ট (য়ু এন এল এফ) : মণিপুরগী সেন্ত্রেল কম্মিটিগী সেক্রেটরি পব্লিসিটি এম শকহেননা থোরকপা চেরোল অমদা মালেমঙানবা মীহাৎকা লালহৌলূপ অসিগা অমসুং মসিগী লান্নী শঙলূপ মণিপুর পিপলস আর্মি (এম পি এ) গা মরী লৈনদে হায়রদুনা মীহাৎ অসি অকনবা মওংদা কন্দেম তৌই হায়না ফোঙদোরক্লি।

*...মখা লমায় ৩ কলম ১*

## পুক্তা থাঙনা থিনবা মীওই ১ কনবা ঙমদনা লৈখিদ্রে

**ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১৫ (ঐচএনএস) :**

ঙরাং নুংথিল পুং ১.৪৫ রোম তারকপদা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী নিংথৌখোং খা লৈকায়গী পতিয়া হায়না খঙনবা মফমদা লৈবা শাবা লোইদ্রিবা য়ূম অমগী মনুংদা মবুক্তা থাঙনা থিল্লবা মীওই অমা লৈরম্বদগী দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটালদা পুখৎতুনা লায়কন্নবদা কনবা ঙমদনা লৈখিদ্রে। লৈখিদ্রবা *...মখা লমায় ৩ কলম ২*

## প্রসিদেন্টস রুলগী মহয় ওইদোইরা

## চুড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্টতা টেক্স খোম্লম্বা মফম অনী থুগাইখ্রে

**ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১৫ (ঐচএনএস) :** মে ৩, ২০২৩দগী হৌরক্লগা হৌজিক ফাওবদা লোইশিন-খমজিল্লে হায়বা তাংদাংবা খঙদ্রিবা মণিপুরগী তমথীরবা লান অসিগীদমক ষ্টেট অসিদা দিপ্লোই তৌরকখিবা মশীং য়াম্লবা



সেন্ত্রেল আর্মদ পুলিস ফোর্স (সী এ পি এফ) শিংনা থৌওইনা তৌরকপ্রা নৎত্রগা থা অসিগী ১৩দগী মণিপুরদা প্রসিদেন্টস *...মখা লমায় ৩ কলম ২*

## বিরেননা ফম থাদোকখিবা ১সুং পি আর চৎনহল্লকপদা মীয়াম্না করি হায়রি-১

### মমিং তাকথোক্লিংদবা স্কুলগী প্রিন্সিপাল অমা

হেমচান্দ নিংথৌজম

**ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১৫ (ঐচএনএস) :**

মপূন্সি লৈরিবা ১২শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী ৭শুবা মীফম থা অসিগী ১০দগী পাঙথোক্লগনি হায়দুনা থৌরাং পূন্নমক লোইরবা মতুংদা নোংমা ৱাৎলিঙৈ থা অসিগী ৯দা এন বিরেননা চীফ মিনিষ্টরগী ফমদগী রিজাইন তৌখিবা অমসুং থা অসিগী ১৩দগী মণিপুরদা প্রসিদেন্টস রুল চৎনহল্লকখিবদগী পাউচে অসিনা তোঙান তোঙানবা লম্দা শিনফম ওইরিবা মীওইশিংদগী মখোয়গী ওইবা ৱাফমশিং অহানবা তাঙ্কক্কী ওইনা খোমজিনবা ঙসিদগী হৌরকপদা স্কুল অমগী মমিং ফোঙদোক্লিংদবা প্রিন্সিপাল অমনা পাউচে অসিদা হায়, *...মখা লমায় ৩ কলম ১*

### লমজা তোম্বা

### সেন্টরনা পূন্নমক শিল্লকপনি



**ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১৫ (ঐচএনএস) :**

বিরেননা ফম থাদোকখিবা অমসুং প্রসিদেন্টস রুল চৎনহল্লকপদা মীয়াম্না করি হায়রি হায়বা ৱাফম অসিগী *...মখা লমায় ৩ কলম ৪*

### এক্টর জয়বিদ্য

### ফম থাদোকহনবা মাল্লি



**ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১৫ (ঐচএনএস) :**

পাউচে অসিনা হৌজিক মণিপুরদা ওইরিবা ফীভম অসিগা মরী লৈননা মণিপুরী ফিল্ম অমদি থিএটরগী *...মখা লমায় ৩ কলম ৪*

### এদভোকেট লময়ানবা

### পোলিটিকেল ক্রাইসিসতগীনি



**ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১৫ (ঐচএনএস) :**

চীফ মিনিষ্টর ফম থাদোকখিবা অমসুং প্রসিদেন্টস রুল থম্লকপগী মতাংদা দেসামগী প্রসিদেন্টসু ওইরম্বা *...মখা লমায় ৩ কলম ৪*

## মৈ : ১৬ ফাগৎখি

**ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১৫ (ঐচএনএস) :**

এম এস পি দি সী এলগী জেনরেল মেনেজর (কম্মর্সিএল) না ঙসি থোকপা চেরোল অমদা কম্পানি অসিনা চত্থখিবা দ্রাইভতা মৈ লান্না শীজিন্নরম্বা মীওই ১৬ শীংজ মৈ, লম্লাই, য়াইরিপোক অমসুং কুম্বী সব-দিভিজনদগী ফাগৎপগা লোয়ননা কঞ্জুমর তরেৎকী কনেক্সন ককথৎখ্রে হায়রি।


গ্যাসকী পাউ লমায় ৩দা


## ইন্দিয়া অমসুং ম্যান্মারনা বোর্দর ত্রেদ অমুক হঞ্জিন্না চত্থবদা য়ানখ্রে

**ন্যু দেল্লী, ফেব্রুৱারী ১৫ (এজেন্সী) :** ঙরাং ন্যু দেল্লীদা লৈবাক অসিগী কোম্মর্স এন্দ ইন্দষ্ট্রি মিনিষ্ট্রিগী ষ্টেট মিনিষ্টর জিটিন প্রসাদা অমসুং ম্যান্মারগী দেপ্যুটি কোম্মর্স মিনিষ্টর য়ু মিন মিন অনীগী মরক্তা লৈবাক অনীগী অৱাংবা থাক্কী মীফম অমা বোর্দর ত্রেদকী মতাংদা পাঙথোকখ্রে।

মীফম অসিদা লৈবাক অনীগী মরী লৈনবা মিনিষ্টর অনীনা লুচিংবা ওফিশলশিংনা লৈবাক অনীগী মরক্তা লৈরিবা কংফালগী লম্বীশিংগী খূত্থাংদা বোর্দর ত্রেদকী থবক অমুক হঞ্জিন্না মখা চত্থবগী মরু ওইবশিং পুথোক্তুনা খন্নখি। অদুগা লৈবাক অনীগী মরক্তা বোর্দর ত্রেদ অমুক হঞ্জিন্না চত্থনবগীদমক য়ানবসু পুরকখি।

ৱাফম অসি য়ুনিয়ন লৈঙাক্কী কোম্মর্স এন্দ ইন্দষ্ট্রিজ মিনিষ্ট্রিগী মায়কৈদগী থোরকপা ওফিশল ওইবা চেরোল অমনা ফোঙদোরকপনি।

মীফম অসিদা লৈবাক অনীনা অমগা অমগগী মরক্তা হেন্না কোওপরেশন পীননবা খন্নখিবশিংগী মনুংদা ফার্মাসুটিকেলস, হৱাই-চেঙৱাই, পেট্রোলিয়ম প্রদক্টস অমসুং হন্দক্তা নৌনা হৌদোকখিবা রুপি-ক্যাট ত্রেদ সেট্টলমেন্ট মেকানিজমগী পাম্বৈশিং হেন্না শীজিন্নবদসু য়ানখি।

মীফম অসিদা লৈবাক অনীগী মরক্তা বাইলেটরেল ত্রেদ হেন্না চাওখৎহন্নবা অমসুং কংফালগী লম্বীগী খূত্থাংদা বোর্দর ত্রেদ অমুক হন্না মখা চত্থবদসু য়ানবা পুরকখ্রে হায়নসু মিনিষ্ট্রি অসিনা ফোঙদোকখ্রে।

## রিলিফ কেম্পতা লৈরক্লিবী ঐখোয়বু মতিক চাবা সিক্যুরিটিনা ঙাক শেনবীদুনা ইশাগী য়ূমদা লৈবা ফংহনবীরো : অঙোম রিতা

*রিলিফ কেম্পতা লৈরক্লিবশিংগী*

**হকথেংনবা পাউদম**

কাংচুপ চীংখোঙদগী খুঞ্জা

**(ঙরাংগী মখা...)** চীং অমসুং তমগী তাইনবা মফমশিংদা মে ৩, ২০২৩দা ওল ত্রাইবেল ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন, মণিপুর (অটসুম) না শীন্দুনা 'সোলিদরিটি মার্চ' হায়বা ফজদবা ৱাহৈ-ৱাতা ময়াম শীজিন্নদুনা চীফ মিনিষ্টর ওইরম্বা এন বিরেন অমসুং মীতৈ ফুরুপকী মায়োক্তা লাউ-খোংদুনা চৎখিবা রেল্লি অদু লোইশিল্লবা মতুংদা তোর্বুং বাংলাদা ইহান হান্না মীতৈগী য়ূমশিং পাক্তক্লনা মৈ থাবা হৌরকপদগী চীংজাওখোনবা লাম্নৈগুম্না চাকখ্রবসু কাংচুপ চীংখোঙদদি থংনবা নুমিৎ মে ৪, ২০২৩দা কুকিশিংগী তমথীরবা মচৎ অসি য়ৌশিল্লকপদগী থৱায় হিংনবগীদমক লাঞ্জেল্লক্তুনা ফয়েং হায় স্কুলদা হাংবা রিলিফ কেম্পতা চঙজফম লৌদুনা লৈরক্লিবী অঙোম রিতা (৪৬), মপুরোইবা নিংথৌজম তিকেননা পাউচে অসিদা অরোইবা ওইনা হায়, হৌজিকসু ইশাগী য়ূমদা চঙদুনা লৈনীংবনা ইশাসে লৈফম খঙদ্রি। নুমিৎ খুদিংগী য়ূমলোমদা য়েংলি অদুবু চঙশিনবদি ফংদবনিনা য়াম্না ৱানা লেল্লি। ইচানুপী য়াইমবুদি রিলিফ কেম্পকী খূত্থাংদগী হোটেল মেনেজমেন্ট তম্বগী খুদোংচাবা ফংদুনা দেল্লীদা লৈখ্রে। ইচানুপা অহলগা ইচানুপা অতোনবগদি ঐগা পূন্না রিলিফ কেম্পসিদা লৈমিন্নরি। মখোয়গী মহৈ-মশিং তম্বগীসু খন্দবা য়াদে। ক্লাস অৱাংবা য়াওরবনিনা অৱাবা হায়বদু ওইরক্লে। হান্নদি ওক লোয়রগা অমসুং য়েন-ঙানু লোয়জদুনা য়াম্না লায়না শেন্থোক লম্বী ওইজরম্মী, হিংবসু ঙমজরম্মী। অদুবু হৌজিক্তি রিলিফ কেম্প অসিদা করিমত্তা তৌফম খঙদ্রে। ময়াম্নদি রিলিফ কেম্পতা লৈবসি মণিপুর লৈঙাক্না চাবা থাকপীরে, য়াম্না নুংঙাইনা লৈবা মাল্লমগনি অদুবু চয়োল অমত্তং রিলিফ কেম্পতা লৈরগা খঙগনি।

মফম অসিদা ঐখোয়না তূম্লক্লিবা মোম্পাকশিং কুইশিল্লকপদগী ফীভম শোকচিল্লক্লিবা, লৈবাক্ত থারগা তূম্বদগী লৈনিল কারক্তুনা তৌরিবা মওং, নুমিৎ খুদিংগী অয়ূক অমসুং নুমিদাংদা হৱাই চারক্লিবসি রিলিফ কেম্পতা লৈত্রিবা মীনা খঙলোই। হৌজিকসু লান অসি নাখৈ শেংনা লোইশিল্লে অমসুং মখা চত্থরক্লরোই হায়বা লৈত্রিবনা তঙাইফদনা রিলিফ কেম্পতা লৈমিন্নরিবশিং অৱাবা খাঙমিন্নরি। অদুগা রিলিফ কেম্পতা লৈরিবা ঐখোয় অয়াম্বগীদি ইশাগী য়ূম-কৈ মথোং মরম খঙদ্রবনি। মৈ থাদোকখিবা য়াওখ্রে। মৈ থাদোক্তবশিংগীসু উৎ ওন্দে হায়বদা ঙাইরে, লৌবা য়াদ্রে। চহী অনীরোম লৈরক্লবনিনা মৈ থাদ্রবসু লৈহৌরিবা ইশাগী য়ূম অদু করম্বা ফীভমদা লৈরমগদগে *...মখা লমায় ৩ কলম ১*

## সাইনিক স্কুলগী অনৌবা কম্প্যুটর লেব হাংদোকখ্রে, পোৎলম কয়া তেংবাঙখ্রে



**ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১৫ (ঐচএনএস) :** ইম্ফাল ইষ্টকী পাঙ্গৈগী হাওতলদা লৈরিবা সাইনিক স্কুল ইম্ফালগী অনৌবা কম্প্যুটর লেবোরেটরি অমা ঙসি লৈঙাক্কী স্কুল এদ্যুকেশনগী দিরেক্টর এন জি বোগেন্দ্রোনা হাংদোকখ্রে।

অনৌবা কম্প্যুটর লেব অসিবু হাংদোকখিবা দিরেক্টর মশামক স্কুল অসিদগী হৌরকখিবা মহৈরোয় ওইবদা নত্তনা লেব অসি হাংদোকপগা ইরোয়ননা মহাক্না লুচিংদুনা লাকখিবা স্কুল এদ্যুকেশন দিরেক্টোরেটকী ওফিশলশিংনা স্কুল অসিগী কেদেটশিংগী *...মখা লমায় ৩ কলম ৬*